# রাহুল গান্ধীগী মতাংদা বি জে পি গী পাউখুম, ‘পাপ্পুদগী গাপ্পু ফাওবা মীনম্বশিং পীক থল্লি’



*ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ৩১ ঃ*
রাফেল দিল অমসুং দিমোনিতাইজেসনগী মতাংদা রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী রিপোর্ট অদুগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মথক্তা মহাক্না ঙাংখিবা ৱাঙাংশিংগীদমক কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীদা বি জে পি গী মীচৈ হেন্না কনখৎখ্রে।

কংগ্রেস প্রসিদেন্ট অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মুখতার অব্বাস নকবিনা মীনম-শোরিবা, স্কামশিংগী নিংথৌ খক্তনা মহাক্কী অকোয়বদা স্কামশিং ঙাক্তা উগনি হায়খি।

মহাক অদুনা লৈবাক অসিদা ওইরক্লিবা চাওখৎপা অমসুং অফবা লৈঙাক অসি উবা ঙম্লোই।

পাপ্পুদগী হৌরগা গাপ্পু ফাওবগী রাহুল গান্ধীগী পোলিটিকেলগী খোঙচৎ মীনম্বশিংনা পীক থনবা খোঙচৎনি অমসুং মরম অসিদগীনি মহাক্না গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা অসিগুম্বা মথোং চাদবা ৱাফমশিং ঙাংলিবনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী ৱাফম পল্লদুনা পাউগী এজেন্সিনা হায়রি। মসিগী মমাঙদা বি জে পি না গান্ধীশিংবু লৈবাক অসিবু লুট তৌবা কাঙবুনি হায়না মরাল শীখি। লৈবাক্কী কোংনুং অসিদা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংবদা বি জে পি গী ৱাঙাংলোই সম্বিত পাত্রানা কংগ্রেসনা অসুক য়াম্না চরাং-খোইরাংনরিবসি মখোয়না লুট তৌখিবা শেনয়াম পূন্নমক অদু দিমোনিতাইজেসনগী মতূংদা মমল লৈতবা অরেম্বা তাখ্রে হায়খি।

গান্ধী ফেমিলিনা লৈবাক মীয়ামগী শেন চহী কয়ামরুম লুট তৌখি। অদুবু দিমোনিতাইজেসনগী মতূংদা মখোয়গী শেন অদু শীজিন্নবা য়াখিদ্রে। মরম অসিদগী দিমোনিতাইজেসননা রাহুল গান্ধী অমসুং মহাক্কী ইমুং শোকহনখি। অসুন্না হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্না মতম পূন্নমক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিন চপ মান্নবা ৱাঙাং ঙাংলি হায়না বি জে পি গী ৱাঙাংলোইনা হায়খি।

কংগ্রেস চীফকী কৈলাশ মানসরোবর খোঙচৎ অদুগী মতাংদসু বি জে পি না অকনবা মওংদা চৈখি। চিনাগীদমক মিষ্টর গান্ধীনা অনৌবা নুংশিনবা অমা ওইনা লৌরিবগী মরমদু করিগীনো হায়না পার্টি অসিনা ৱাহং হংখি।

হৌজিক নেপালদা লৈরিবা রাহুল গান্ধীনা চিনাদা চৎকনি অমসুং চাইনিজশিংগা উন্নবা থৌরাং তৌরি। মাগা উন্নগদবশিং অদু অরোনবা ওইনা থম্বা ঙম্লোই। মহাক কনাগা উন্নগদৌরিবনো হায়বদু মিষ্টর গান্ধীনা গভর্ণমেন্টতা শোয়দনমক খঙহনগনি হায়বসি ঐখোয়না থাজে হায়না বি জে পি গী ৱাঙাংলোই অদুনা মখা তাখি।

বি জে পি না ঙাংলিবা ৱাঙাংশিং অসিগী পাউখুম অমুক হল্লদুনা কংগ্রেস পার্টিনা কৈলাশ মানসরোবরদা চৎখিবা রাহুল গান্ধীগী খোঙচৎ অদুনা বি জে পি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু অসুক য়াম্না নুংঙাইহন্দবগী মরম করিগীনো হংখি।

কংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই সন্দীপ সুর্জেৱালানা মখোয় কৈলাশ মানসরোবর হায়বদু কদায়দা লৈ খঙদবরা? মদু তিবেট অমসুং চিনাগী ওতোনোমস রিজনগী মনুংদনি হায়বসি মখোয় খঙদবরা হায়না হংখি।

ঙরাং শগোলশেন নুমিত্তা রাফেল দিলগী মতাংদা রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টরদা চৈরকখি। ট্র্যুট অমদা মহাক্না গ্লোবেলাইজ করপসন হায়না ফোঙদোকখি। মসিগী রাফেল এয়ারকয়াফ অসি তশেংনমক লাপ্পা অমসুং য়াঙনা পাইরে। মসিনা চহী খরগী মনুংদা অচৌবা বঙ্কর বষ্টর বোম খরসু থাদরবা য়ারি।

মোদিজি চানবিদুনা অনিলদা ফ্রান্সতা অচৌবা খুদোংচাদবা অমা লৈরে হায়বদু খরা হায়বীয়ু হায়না মিষ্টর গান্ধীনসু প্রাইম মিনিষ্টরবু দিমোনিতাইজেসন তৌদুনা শেঞ্জাও পায়বা মাগী মরুপশিং মতেং পাংখিবগীদমক মরাল শীখিবনি।

# শেল ট্রকলোদশিং ইন্দিয়াগী মপানদা পুনবা ভি আই পি প্লেনশিং শীজিন্নখিব্রা হায়বদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চত্থখ্রে

*ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ৩১ ঃ*
এভিয়েসন সেফতিগী মতাংদা অচৌবা ফল তাহল্লক্কদবা ইনভেষ্টিগেসন অমদা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা শেল ট্রক মপোৎশিং লৈবাকসিগী মনুং অমসুং মপানদা পুবদা চার্টর প্লেনশিং শীজিন্নখিব্রা হায়বদু থিজিল্লি।



এজেন্সি কয়ামরুমদা চেন্নবা থিজিনবগী থবক অদু হৌজিক্কী ওইনদি অহৌবগী তাঙ্কক্তা লৈরি অদুবু ভি আই পি শিংনা শীজিন্নবা চার্টর প্লেনশিং অদু শেল লোৎশিন্দুনা থন্নবা অমসুং খঙবা ঙমহন্দনা পুখিনবা য়ামদ্রবদা প্লেনশিং অদুদা কব্বিহোলশিং হাপ্তুনা মোদিফাই তৌখিবগী খুদম খরা ফংখ্রে। অদুম ওইনমক মসিদা চেন্নরিবা চার্টর প্লেশিংগী মপুশিং নৎত্রগা ভি আই পি ক্লায়েন্টশিং অদু কনা কনানো হায়বদু ইভিদেন্স ফংদ্রি হায়না ইনভেষ্টিগেতরশিংনা হায়রি।

সেন্টর ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন নৎত্রগা সি বি আই না ফেক ক্রিদেন্সিয়েলশিং পীদুনা ব্যুরো ওফ সিভিল এভিয়েসন সেক্যুরিটিদগী এরোড্রোম এন্ট্রি-পাস অমা ফংখিবগীদমক হান্নগী জর্নেলিষ্ট অমসুং ব্যুজিনেসমেন উপেন্দ্র রাই কৌবা অমা ফাবদগী ৱাথোক অসি মে থাদা খঙলকখিবনি।

ব্যুরো ওফ সিভিল এভিয়েসন সেক্যুরিটিনা পীবা এরোড্রোম এন্ট্রি-পাস অদুনা উপেন্দ্র রাইবু লৈবাক অসিগী মনুংদা লৈবা এয়ারপোর্ট পূন্নমক্তা ইকোম-কোমনা চঙবা ঙমহল্লি।

সি বি আই না ব্যুজিনেসমেন অসি, প্রাইভেট প্লেন ওপরেটর এয়ার ৱানগী এজিক্যুটিভশিং অমসুং এয়ারপোর্ট ওফিসিয়েল খরা ফারবসু মফম পূন্নমক্তা চঙবা য়াবা পাস পায়নবগী মিষ্টর রাইগী ৱাখল্লোন অদু ইনভেষ্টিগেতরশিংনা ফোঙদোরক্ত্রি।

এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট নৎত্রগা ই দি না চয়োল অসিদা ফোঙদোকখিবদা মখোয়দা সাউথ দিল্লিগী গ্রেতর কৈলাশ অমসুং কোনোক প্লেসতা লৈবা ফ্লেটশিং য়াওনা লুপা ক্রোর ২৬ হেনবগী মাগী মরন-মথুম পূন্নমক সিজ তৌরে হায়খি।

অদুম ওইনমক প্লেনশিং অদুগী মনুংদা মীনা উবা ঙমদবা পোক্কেটশিং শেন্নবা মহাক্না ইভিয়েসন ইঞ্জিনিয়ার অমগা থবক তৌমিন্নরমগনি চিংনরি। মদুগী মতূংদদি হায়রিবা অরোনবা পোক্কেটশিং অদুদা চার্টর প্লেনশিং অদুগী মপুশিং নৎত্রগা প্লেন অদুদা তোংলিবা ভি আই পি শিং খঙদনা আইন্না য়াদবা শেল অদু হাপচিনগনি। অসিগুম্বা থবক তৌবসি সেক্যুরিটি চ্যেকশিং থোইনা তৌদবা ভি আই পি শিং শীজিন্নবা চার্টর প্লেনশিংদা শীজিন্নে হায়না হীরমশিংগী মতাংদা হকথেংননা খঙবা মীওইশিংনা ফোঙদোক্লি।

মিষ্টর রাইনা মরী লৈনরিবা এয়ার ৱান না দুবাইদা প্লেনশিং মতম শাংনা খামদুনা থম্মী হায়বসিসু ইনভেষ্টিগেতরশিং খঙলে। মরু ওইনা দুবাই এয়ারপোর্টতগী য়াম্না হন্থনা স্ক্রুটিনি তৌবা অল মাকতুম ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্ট হায়বা দুবাইগী খা নোংচুপ্তা কিলোমিটর ৩৭ লোম লাপ্পা জেবেল অলিদা লৈবা এয়ারপোর্ট অসি ওইনা শীজিন্নব্রা হায়নসু চিংনবা ফাওরি।

দুবাইদা পাইবতা নত্তনা এয়ার ৱান প্লেনশিংনা রসিয়াদসু য়াম্না তোইনা চৎলি। উপেন্দ্র রাইগী মরমদা সেনিয়ার এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট ওফিসার অমনা মহাক ওফিসারশিংগীদমক থবক ময়াম অমা তৌবনি হায়খি।

প্লেনশিং অদু হরিয়ানাগী হিসারগুম্বা মফমশিংদা লৈবা অপীকপা এয়ারষ্ট্রিপশিংদা হাংদোক্লম্বা অমসুং লোদ তৌরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবসু লৈ। লৈবাক অসিদা এয়ারষ্ট্রিপ ৪০০ লৈ। অদুগা শুপ্নতগী ১০০ কম্মর্সিয়েল ওইনা শীজিন্নে।

অদুম ওইনমক করিগুম্বা প্রাইভেট প্লেনশিং অদুনা অদুগুম্বা এয়ারষ্ট্রিপশিংদা অরোনবা শেলশিং অদু লোদ তৌরম্বা তারবা ফাওবদা মখোয়না কষ্টমস ক্লিয়ারেন্স লৌগদবনি অমসুং মতাং অসিদনি প্লেন অদুদা ভি আই পি অমা তোংবদা মতেং ওইরিবসি।

উপেন্দ্র রাইনা পাস অদু পীখিবা বি সি এ এস তা এজেন্সিদা ফোঙদোকপদা মদু মখোয় খক্তগী দাইত্ব নত্তে। এয়ার ৱানগুম্বা মহাক্কী এমপ্লোয়রনা এন্দোর্স তৌরকপা অমসুং এয়ারপোর্ট ওপরেসননা, থোক্লিবা কেস অসিগী ওইনদি দিল্লি ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্ট লিমিটেদ নৎত্রগা দায়েলনা অমুক্কসু এন্দোর্স তৌরকপা মীওই অদুনা থারকপা এপ্লিকেসনগী য়ূম্ফমদা পাস অদু পীখিবনি হায়রি।

# টেরোরিষ্টশিংগী ইমুংগী মীওইশিং পুলিসনা থাদোক্লকখ্রবা মতূংদা মখোয়নসু জে এন্দ কে পুলিসকী মরী-মতা ৩ থাদোকখ্রে

*শ্রীনগর, আগষ্ট ৩১ ঃ*
লীখুন কয়ামরুমনা ফোঙদোরকখিবগী মতূ ইন্না জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসনা টেরোরিষ্টশিংগী ইমুং মনুংগী মীওই ১২ রোম মনা-মনিল নাইদনা থাদোকখিবগী পূং খরগী তুংদা ঙরাং নুমিদাং খা থংবা কাশ্মীরদা টেরোরিষ্টশিংনা কিদনেপ তৌখিবা পুলিসমেনশিংগী মরী-মতা ১১ গী মনুংদা ৩ থাদোক্লকখ্রে হায়রি।

য়ূমশকৈশা নুমিত্তা অচৌবা টেরর এটেক অমদা পুলিসমেন ৪ শিখিবগী মতূংদা হিজবুল মুজাহিদীন টেরর গ্রুপকী কম্মান্দর রিয়াজ নাইকুগী মপা অসাদুল্লাহ নাইকূ য়াওনা টেরোরিষ্টশিংগী মরী-মতাশিং অদু



পুলিসনা ফাখি। পুলিসনা টেরোরিষ্টশিংগী য়ুম ২ সু মৈ থাখি। পুলিস কষ্টদিদগী থাদোক্লকখ্রবশিং অদুগী মনুংদা অসাদুল্লাহ নাইকূসু য়াওরি।

পুলিসকী থৌওং অদুগী পাউখুম পীরদুনা টেরোরিষ্টশিংনা ঙরাং শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা আনন্তনাগ, কুলগাম, সোপিয়ান অমসুং পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা পুলিসমেনশিংগী য়ূমদা রেদ চৎখিখি অদুগা মখোয়গী মরী-মত ১১ ফারগা পুরকখি। মতম অদুদগী হৌনা মখোয়বু মীফা ওইনা থমখি।

টেরোরিষ্টশিংগী ইমুং মনুংশিংগী মথক্তা পুলিসনা মখল-মখাগী থৌওং চত্থবা অনৌবা নত্তে। অদুবু পাকতক্লনা ফাবদি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। টেরোরিষ্টশিংনসু চহী ১ গী মমাঙদা পুলিসমেনশিংগী ইমুং খরদা রেদ চত্থখি। অদুবু মরী-মত অমত্তা ফাবা তৌখিদে। হৌখিবা চহীদা জে এন্দ কে পুলিস চীফ শেস পাউল বাইদনা পুলিসমেনগী ইমুং মনুং ওৎ-নৈরবদি মদুগী চপ চাবা পাউখুম ফংগনি হায়না টেরোরিষ্টশিংদা ৱার্নিং তৌখিবনি।

# দব্লিউ টি ও দগী তোক্লবা ট্রম্পনা কিহনখিবগী মতূংদা রসিয়ানা য়ু এস পু অৱাবা মায়োক্লগনি ফোঙদোকখ্রে

*মোস্কো, আগষ্ট ৩১ ঃ*
ৱার্ল্ড ট্রেদ ওর্গনাইজেসন (দব্লিউ টি ও) দগী তোক্লবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কিহল্লকখিবা অমগী মখা তারকপদা য়ু এন নসু খূৎ হন্দুনা রুলসকী মতূং ইন্না শান্নদ্রবদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইকোনোমিগী অৱাবা মায়োক্লগনি হায়না রসিয়াগী ইকোনোমি মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



*জর্মন চান্সেলর এঞ্জেলা মার্কেল অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প*

ঙরাং শগোলশেন নুমিত্তা ব্লুমবর্গ ন্যুজনা পীবা ইন্টর্ভিয়ু অমদা য়ু এস প্রসিদেন্ট অসিনা করিগুম্বা ৱার্ল্ড ট্রেদ ওর্গনাইজেসননা মসিগী লীচৎ শাজৎ শেমগৎত্রবদি গ্লোবেল ট্রেদ বোদি অসিদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা তোক্কনি হায়না ধমকা তৌখিবনি।

মরকসিদা ওতো তারিফশিং লৌবা তোক্লবা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী খোঙথাং অদু অফবা নত্তে হায়না ট্রম্পনা হায়রি।

হান্ননা কায়থরকখ্রবা ট্রান্স-অতলান্টিক ট্রেদকী মুক্লবা অদু অমুক্কা হেন্না চাওথোকহন্নবগী অকিবা পীবা খোঙথাং অমদা ওতোমোবাইলশিংদা লৌবা দ্যুটিশিং তোক্লবা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী ৱাফম অদু তশেংনা অফবা নত্তে হায়রদুনা দোনাল্ড ট্রম্পনা মদু য়াখিদে।

মসিগী শুপ্নতগী পূং খরগী মমাঙদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন ট্রেদ কম্মিস্নার সেসিলিয়া মাল্মষ্ট্রোয়েলনা ব্লোক অসিনা ঐখোয়গী কার তারিফশিং জিরোদা হন্থনবগী পাম্মুবা লৈরে হায়খি।

ট্রেদ তারিফকী মতাংদা মুক্লরিবা অসি লৌথোক্লবা ট্রম্পকা য়ুরোপিয়ান কম্মিসন প্রসিদেন্ট জিন-ক্লাওদে জঙ্করগা জুলাই থাদা উন্নখিবদা ওতোমোবাইল সেক্তর য়াওদনা কষ্টমস দ্যুটিশিং লৌথোক্লবা অকক্লবা ট্রেদ এক্কোর্দ অমা পুরক্লবগী থবক চঙশিন্নবা ৱাশকখি।

ট্রম্পনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নবু চিনাগা মান্নে হায়না চাংদম্নখি। বৈজিংগা ট্রেদ ৱার হেনগৎলকখি লোয়ননা মহাক্না চিনাগী পোৎশিংদা দোল্লর বিল্লিয়ন ২০০ গী মথক্তা ইম্পোর্ট টেক্সশিং থমজিনগনি হায়নসু কিহনখিবনি।

# মাঙ-তাকপগী লান মায়োক্লখ্রবা য়েমেন তন্না পুরকপা এ কে রাইফল ১,০০০ য়ু এস নেভিনা ফাখ্রে

*দুবাই, আগষ্ট ৩১ ঃ*
অনকপা য়েমেনদা লান থোক্লিঙৈগী মরক্তা গল্ফ ওফ এদেনদা অপীকপা জহাজশিংনা লোন্না পুথোরকপা কলাশনিকোব এসোল্ট রাইফল ১,০০০ রোম হেন্না য়ু এস নেভিনা ফারে হায়না ঙসি অঙনবদা য়ু এস মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।



য়েমেনগীদমক সমুদ্র ঈশিং লমদা পুরকপা খূৎলাই ময়াম অমা মরক থৎতুনা ফাবসি অমেরিকাগী ফোর্সশিংনা রিজন অসিদা পেট্রোলিং চৎলকপদা চহী কয়ামরুমগী মনুংদা অহানবনি। খূৎলাইশিং অদু গাইদেদ মিসাইল দিষ্ট্রোইয়র য়ু এস এস জেসন দনহামনা ফাখিবনি। অদুম ওইনমক খূৎলাইশিং স্মগ্লিং তৌরকপা ওইগনি হায়না চিংনবা অদু কনানা চত্থবনো হায়বসি য়ু এস মিলিটরিনা হায়খিদে।

য়ু এস নেভিনা থাদোরকপা অতেনবা ভিডিও অমদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৌখিবা ভিডিও অদুদা পর্সিয়ান গল্ফ রিজনগী ঈশিং-লমদা অয়াম্বা হোন্নবা মহৌশাগী জহাজ অমা ওইরিবা ধো অমসুং স্কিফ অমা উৎলি।

হিশিং অদুনা সমুদ্রগী অচৌবা ঈপাকলোমদা চৎখিবগা লোয়ননা মদুগী মথক্তা তোংলিবা মীওইশিংনা অচৌবা উপুশিং স্কিফ অদুদা লংথরকপা উৎলি।

বাহারেনদা লৈবা য়ু এস নেভিগী ৫শুবা ফ্লীটনা ফোঙদোকপদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সেলরশিংনপা হিশিং অদুদা কাখৎখি অদুগা খূৎলাই ময়াম অদু চ্যেক তৌবদা ফংবনি হায়খি। য়ু এস নেভিনা থাদোকপা ফোটোশিংদা প্লাষ্টিকনা য়োমশিনবা অনৌবা এ কে রাইফলশিং মানবশিং উৎখি।

জহাজশিং অদুদা তোংলিবা মীওইশিং অদু সাউদি আরাবিয়াদা লোইদা লৈবা য়েমেন গভর্ণমেন্ট য়াবা য়েমেনি ফোর্সশিংদা খূৎশিন্নখ্রে।

য়ু এস কী ৫শুবা ফ্লিটনা ইরানবু য়েমেনগী কোনুং সানাবু সেপ্টেম্বর ২০১৪ দগী খুদুম চল্লকখিবা সিয়া হৌথি রেবেলশিংদা খূৎশু-খূৎলাইশিং সমুদ্র লম্বীদা লাক্তুনা পীশিনবগীদমক হন্না হন্না মরাল শীখিবনি।

২০১৬ গী অঙনবদা য়ু এস না লুচিংবা কোলিসনগী লানগী জহাজশিংনা আরাবিয়ান সি দা ধো ৩ খামদুনা লেপহনখি অমসুং চ্যেক তৌবদা এ কে রাইফলস লীশিং কয়া লোয়ননা স্নাইপর রাইফলশিং, মেছিন গনশিং, রোকেট প্রেপেল গ্রেনেদ লোঞ্চরশিং, এন্টি-টেঙ্ক মিসাইলশিং অমসুং অতৈ খূৎলাইশিং পুরম্মী।

# কোর্টনা শ্রীলঙ্কাগী মিলিটরি ওফিসার মকোক ফানবা ওর্দর তৌখ্রে

*কলম্বো, আগষ্ট ৩১ ঃ*
শ্রীলঙ্কাদা গভর্ণমেন্টকা তামিল লানহৌবা এল টি টি ই (লিবরেসন তাইগরস ওফ তামিল ইলাম) গা অনীগী মরক্তা থোকখিবা সিভিল ৱার মনুংদা মীওই ১১ ফাবা অমসুং হাৎপগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা মিলিটরি ওফিসারবু ফাননবা কোর্ট অমনা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ওর্দর তৌখ্রে।

কলম্বো ফোর্ট মেজিষ্ট্রেট লঙ্কা জয়ারতনেনা মীহাৎশিং অদুদা মরু ওইনা মরাল শীরিবা মীওই অদু ৱায়েল চত্থবদগী নাম্বোকহনবদা তেংবাঙঙী হায়বগীদমক চীফ ওফ দ দিফেন্স ষ্টাফ, এদমিরেল রবিন্দ্র ৱিজেগুনারতনেবু ফানবা পুলিসতা য়াথং পীখি।

সিভিল ৱার অদুগী লোইশিল্লকপগী তাঙ্ককশিংদা কুমজা ২০০৮ দগী ২০০৯ ফাওবগী মনুংদা নহা ১১ বু ফাখিবা হিট স্কৱাদ, লুচিংবগী মরাল শীরিবা নেভি ইন্টিলিজেন্স ওফিসার অমা ওইরিবা চন্দনা প্রসাদ হেত্তিয়েরাছিবু ফাদুনা ৱায়েল চত্থবদগী নাম্বোকহনবদা এদমিরেল রবিন্দ্রনা তেংবাঙখি হায়না মরাল শীরি।

হিট স্কৱাদ অদুনা ফাখিবা নহা ১১ অদু নেভিনা আইন্না য়াদবা মওংদা ফাদুনা থল্লিঙৈ মনুংদা হাৎখ্রে হায়না থাজরি। হকচাংশিং অদু অদুম ফংখিদ্রে।

নেভিগী ইন্টিলিজেন্স ওফিসার অদু মালেম শিনবা-থুংনা এলার্ট অমা লাওথোকপগা লোয়ননা থা ১ রোম ফাননবা থিরবা মতূংদা কলম্বোদা থা অসিগী অঙনবদা ফাখিবনি। মরু ওইবা চেন্নরিবা মীওই অসিবু ফাহন্দনবা হোৎনবদা এদমিরেল ৱিজেগুনারতনেনা তেংবাঙখি হায়বসি খুদম-চাংদম লৈরে হায়না শ্রীলঙ্কাগী ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন্স দিপার্টমেন্টনা মেজিষ্ট্রেট অদুদা হায়খি।

মতম অদুদা শ্রীলঙ্কা নেভিগী ৱাঙাংলোই অমা ওইখিবা দি কে পি দিসানায়েকেসু থৌদোক অদুদা য়াওই হায়না চিংনরি। মহাক হৌখিবা চহীদা ফাখ্রে অমসুং হৌজিক বেলদা থোক্লক্তুনা লৈরি।

কুমজা ২০০৬ তা তামিল লোমেকর নাদরাজা রবিরাজ হাৎখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা নেভি ইন্টিলিজেন্স ওফিসার চন্দনা প্রসাদ হেত্তিয়ারাছিবুসু ফাবা পাম্মী হায়না পুলিসনা কোর্ট অদুদা হায়খি।

মতম অদুগী প্রসিদেন্ট মহিন্দ রাজাপকসে মশামকসু ২০০৮ তা নুংতিগী পাউচেগী জর্নেলিষ্ট অমা ফাবা অমসুং ওৎ-নৈবগা মরী লৈননা চয়োল অমগী মমাঙদা পুলিসনা ৱাহং-পাউহং চত্থখ্রবনি।

শ্রীলঙ্কাগী হান্নগী খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা মীওই অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওই কয়াসু পাক-চাওনা শেন-থুম লান্না শীজিন্নবগী অমসুং মহাক্না চহী ১০ রোম প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈগী মনুংদা মীওই কয়া হাৎখিবগীদমক থিজিনবগী থবক চত্থরিবনি।

শ্রীলঙ্কা লান্মী ট্রুপশিংনা তামিল তাইগরস হায়না খঙনবা শ্রীলঙ্কাদগী তোঙান তানবগী দিমান্দ তৌরিবা তামিল লানহৌবশিং অদুবু চহী দিকেদ কয়াগী সিভিল ৱার অদু লোইশিন্দুনা কুমজা ২০০৯ দা অমুক হন্নাহৌগৎপা ঙমদনা নমথখিবনি।


**GAS TODAY**
Imphal LPG Service
Stock : 19kg 82


সনা-সুদোকু -১২৭৭ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 3 | 2 | 7 | 4 | 1 | 8 | 6 |
| 7 | 1 | 6 | 9 | 3 | 8 | 5 | 4 | 2 |
| 2 | 4 | 8 | 6 | 5 | 1 | 9 | 3 | 7 |
| 9 | 2 | 7 | 1 | 6 | 3 | 8 | 5 | 4 |
| 3 | 5 | 4 | 8 | 2 | 7 | 6 | 1 | 9 |
| 8 | 6 | 1 | 4 | 9 | 5 | 7 | 2 | 3 |
| 4 | 3 | 5 | 7 | 1 | 6 | 2 | 9 | 8 |
| 6 | 8 | 2 | 5 | 4 | 9 | 3 | 7 | 1 |
| 1 | 7 | 9 | 3 | 8 | 2 | 4 | 6 | 5 |


## NOTICE

It is hereby inform that the Annual General Meeting of the Shareholders of the Langei Producer Company Ltd. will be held on 6th September 2018, (Thursday) at 11.00 a.m. sharp at Manipur Press Club, Imphal.

By Order of the Board of Director,
Place : Langei Producer Company Office

Sd/-
**CEO**
Langei Producer Company Limited

**SL/Bill(U)/01**



WEL-COME WEL-COME

**Premiere Show**
**"NUNGSHIBANA LOIRE"**
**At 4.00 P.M**

**Oasis Entertainment Film Production**
**On the 3rd September, 2018**
**at Lamboikhongnangkhong, Mela Ground**

**SL/Bill(U)/01,02,03**


## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1278**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 7 | | | 9 | | 6 |
| | | 3 | | | | 1 | | |
| 6 | | 5 | | 4 | 8 | | | |
| | | 9 | | 7 | | | | 4 |
| 8 | | | 1 | | | | | |
| | 7 | | | 8 | 9 | | 2 | 5 |
| 1 | 6 | | | | | | | 3 |
| | | | 6 | 5 | | | | 2 |
| 9 | | | | | | | | |